# পান মীতৈগী ইম্ফাল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারী ২৬ (এস এন এস)ঃ অসাম,ত্রিপুরা, দেল্লি, মহারাষ্ট্রানচিংবা মফমদা খুন্দারিবা মীতৈশিং অমসুং মণিপুরদা লৈবা মীতৈশিংদা পুন্না শেম্বা পান মীতৈ কনভেন্সনগী অহানবা ইম্ফাল কনভেন্সন ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। মালেমগী মীতৈ অপুনবগী য়াইফনবা মীফম হায়বা থিমদা পাঙথোকপা কনভেন্সন অদুদা সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট য়াম্বেম লাবা,পান মীতৈ কনভেন্স–নগী প্রসিদেন্ট হৈগ্রুজম নবাশ্যাম, জেনরেল সেক্রেটরী সোরোখাইবম তরুনকুমার অমসুং হিজম রাজেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

জেনরেল সেক্রেটরী হিজম রাজেননা হায়, পান মীতৈ কনভেন্সন অসি কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১দা শেমখিবা অসাম,মণিপুর, ত্রিপুরা,দেল্লি য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা সিটিশিংদা খুন্দাখ্রবা মীতৈশিং অমসুং বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা ঙসি ইম্ফালদা কনভেন্স পাঙথোক্লিবসি ইরমদম মণিপুরবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবনি। মফম কয়াদা চোয়না খুন্দাখ্রবা মীতৈশিং অমগা–অমগা পাউ ফাওনদুনা অমসুং কোওর্দিনেসন থমদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা মথৌ তাই। পান্দম অসিগী দমক পান মীতৈ কনভেন্স অসি শেমখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা সেচুয়েসন অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমনা–অমগী মতেং পাঙনগদৌবা মতমনি। অদুবু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা পুনশিনবগী মহুৎতা অমনা–অমবু মৰা লৌনদবগী মওং উবা ফঙই। লোয়ননা ইকায়খুম্নবীদ্রি। ইশাগী করিগুম্বা অমা কান্নবগীদমক্তা নৎত্রগা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ানবা চৎপা মওং অসি সোসাইটি অসিদা উবা ফঙলি।

মসিগীসু মথক্তা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট স্পেয়র অনীমক্তা করপসনগী মমি তাবদগী সোসাইটি অসিদা হূ হাপ্পগা পাঙ্খক ওইদুনা সোসাইটি মাঙহল্লি। নহা অমসুং হৌরক্লিবা অঙাং শিং মাঙহন্নবা মরম ওইরি।

হিন্দু ওম্থোকখ্রবা মীতৈশিংনা মণিপুরী সোসাইটিদা হিন্দু কলচরদা য়ুম্ফম ওইদুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থোংমান্নদবা অমসুং অমগা–অমগা থাজনদবা থোকহল্লিবসি মতম অমগী মীতৈ নিংথৌনা মীগী লাইনিং লৌরুবদগীনি। মাংখ্রবা ইশাগী সেল্ফ রেস্পেক্ট,সোসিয়েল নোর্মস ভেল্যু,ট্রেদিসন অমসুং কষ্টম অসি মতৌ করম্না অমুক হঞ্জিনবা ঙমগদগে হায়বদু খনবা চুমগনি। মসি অরাইবা অমদি ওইরোই। অমগা–অমগা থাজনবা, অমগা–অমগগী মরক্তা ইক্বেলিটি লৈহনবা হেল্ঠলি এটমোস্ফিয়ার অমা শাগৎতুনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু অচুম্বা অফবা লম্বীদা লমজিংবা অমসুং মতিক চাবা লুচিংবা পুথোকপা মথৌ তাই।

পান্দম অসি ফঙনবগীদমক্তা ঐখোয়না লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং খরদি– অহানবদা ঈশ্বরগী মফমদদি মীপুম খুদিংমক চপ মান্নে,অমনা–অমদগী হেন্নদে হায়বসি ঐখোয় কাউরোইদবনি। অনীশুবদা ইশানা–ইশাবু থাজবা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা। অহুমশুবদা কষ্টম ট্রেদিসন অমসুং লাইনিং–লাইশোনগী মিংদা অমনা অমবু হুন্দবা,খেন্নবা থম্লোইদবনি। মরিশুবদা লাইনিং–লাইশোনগা মরী লৈননা থবক থৌরমশিংদা হেন্না চাদিং তৌদুনা শেল অমসুং পাঙ্গল মাংহন্দবা অমদি মঙাশুবদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা থম্নবা মচাক ওইরিবা মিংগৌ সনাক্ষ অমদি ঐগ্যনা হায়বশিং অসি লৌথোকখ্রসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মীখলদা খুদোংচাবা লৌনবা সি এ বি পুথোকপনিঃ রাজা

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ

সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি বি জে পি না ভোটকী খুদোংচাবা লৌনবা পুথোকখিবা বিলনি হায়না সি পি আইগী এম পি দি রাজানা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি সি পি আই, সি পি আই এম, এ এ পি, এন সি পি, আর এস পি, পি আর জে এ, জে দি এস, বি এস পি অমসুং এফ বি না শীন্দুনা ইম্ফালগী ইরাবট ভৱনদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট মিটিং অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

প্রোটেষ্ট মিটিং অদুদনা ৰা ঙাঙলদুনা দি রাজানা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি আর এস এসনা কন্ট্রোল তৌবনি। হিন্দু লাইনিং অসি মালেমদা অশেংবা লাইনিং হায়বা অসিনা আর এস এসকী এজেন্দানি। অদুনা লৈবাক অসি মখোয় খক্তগী লৈবাক ওইনবা হোৎনবদা শিল্লি। লোয়ননা লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মশীং য়াম্বা হিন্দুদগী ভোটকী খুদোংবা লৌনবা হোৎনবদা বি জে পি না সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি লোক সভাদা পাস তৌখিবনি।

মহাক্না হায়, নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসি তশেংনা লৈঙাকপা নত্তে। অদুনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিবু লৌথবা অসিনা পূম্নমক্কী ৰাখল ওইগদবনি। নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙগী ইলেক্সন মমাঙদা মীয়ামদা হায়খিবশিং থবক ওইনা অমত্তা পাঙথোকপা থেংনদ্রি। মীয়ামদা নমথাক তৌবা ঙাক্তনি। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক্লি। মসিগুম্বা লৈঙাক লৈবাক অসিদা মখা তানা লৈহন্দবনা ফরে।

রাইট টু ভোট অসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমনি। রাইট অসিবু মপুং ফানা ফঙহন্নবগীদমক অফবা লৈঙাক অমা লাক্লবা অমদি অফবা তুং লমচৎ অমগীদমক অফবা মীহুৎ খনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্ট মিটিং অদুগী শরুক অমা ওইনা এম পি দি রাজা য়াওনা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ গী মায়োক্তা রেল্লি অমসু চৎখি।

# হায়ৰেশিংদা পরম লান্না থবক তৌবশিং থেংনগনিঃ টি দি সি

ইম্ফাল,জনুৱারী ২৭(এস এন এস)ঃ

নেসনেল হায়ৰেশিংদা নিয়মগী ৰাংমদা থবক তৌরকপশিংগী মায়োক্তা ত্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সিলনা চপ চানা মদুগী মায়োক্তা লেপকনি হায়না কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৰাইরম কাউন্সিল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা রঞ্জিৎনা পাউমীশিংদা হায়, ঙসি ট্রান্সপোর্ট কম্মিস্নরনা ইলেক্ট্রোনিক্স মেদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৰাফমশিং তাবনা নুংঙাইবা ফাওই।

মহাক্না মখা তানা হায়, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ৱার্ক্স, বি আর ও অমসুং ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট লোয়ননা ত্রান্সপোর্টর খরা এন ঐচ ৩৭ তা মাল টন ২৪ দগী হেন্না পুবা য়াদবগী মতাংদা মীফম অমত্তা ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রি।

হিরম অসিগা মরি লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা তারকখিবা রাইগী মতুংইন্না টি দি সিগী মায়কৈদগী জিরিবামগী দি সিদা হৌখিবা চহী ইং ২০১৮গী মে ৩০ দা এন ঐচ ৩৭ তা লাকপা গাড়ীশিংগী অরুম্বা ওনবীনবা চে ইখিবা লৈখি। দি সিগী মায়কৈদগী লম্বী অসিদা লাকপা গাড়ীশিং এফ সি আইগী ৰেঠ ব্রিজদা অরুম্বা ওনবা হৌখি।

মতম অদুদা নেসনেল হায়ৰে ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা চীং নিংখায়বনা মরম ওইরগা গাড়ী চৎপা য়াদবদগী মপান্দা লৈরিবা গাড়ীশিং এন ঐচ ৩৭ তা লোইনা লাকখি।

গাড়ীনদি য়াম্বনা এফ সি আইদা ৰেট ওনবদা কোন্নবা ঙমদবনা মরম ওইরগা গাড়ীশিং অরুম্বা ওনবদা খুদোংচাদবদগী ওন্দনা লম্বী অসিদা লাকখি। গাড়ীশিংগী অরুম্বা ওন্দ্রবসু মাল পুদুনা লাকপদা থোঙশিং তেকখিবা লৈতে।

দিসিদা হায়খিবা অদু হায় কোর্টকী ওর্দর অদু ইকাই খুম্নবা ওইনা দি সিদা চে ইখিবনি। অদুবু গাড়ী মশীং য়াম্লকপনা মরম ওইরগা বন্দ ব্লোকেন্দ লৈশিনলকপদগী গাড়ীশিং অরুম্বা ওন্দনা লাকখিবনি।

মহাক্না হায়, গুলারথোনদা ৰেঠ ব্রিজ শাবা শাদবা হায়বসি কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্টকী মথৌ নত্তে। নেসনেল হায়ৰে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবনি লোয়ননা মসি নেসনেল হায়ৰে ওঠোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবনি , মখোয়না য়েংশিনগদবনি হায়খি।

কনাগুম্বা লন্নাই প্রাইভেট ফার্ম অনিখক্তদা ৰে ঠ ব্রিজ শানবা হোৎনবদা শৌগৎপনো, করিগী মীয়াম খঙনা নোটিফিকেসন থোক্তনা করিগী শাহন্নবা থবক লৌখৎখিদবনো হংখি। মদু তৌবা তারবসু মদুদা কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্টকী মথৌ নত্তে, মহাক্কা মরি লৈনবা য়াবা নত্তে হায়খি।

বি আর ও অমসুং এন ঐচ আই দি সি এল অসি চপ মান্নবা কাঙবুনি। মমিং ওম্থোকপগুম্বনি। লম্বী অসি টি দি সি খক্তগী লম্বী নত্তে, দ্রাইভর য়ুনিয়ন খক্তগী লম্বী নত্তে হায়বা তারবদি ষ্টেটকী কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্ট অমা ওইনা লম্বী অসিদা চীং নিংখায়বা, লম্বী তৎতুনা গাড়ী চৎপা য়াদবা মতমদা করি য়েংলগা লৈবিবগে হংখি।

ঙসি ফাওবদা থোঙ তেকপদা, লম্বী নিংখায়বা মতমদা ত্রান্সপোর্টরশিং অমসুং দ্রাইভরশিং য়াম্না ৰারে মরী লৈনবশিংনা মখোয়গী অৰাবা কোকহনবীয়ু হায়না কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্ট অমা ওইনা প্রেসতা চে থোকখিবা লৈখিব্রা হংখি।

কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্টনা লম্বী অসিদা মথৌ নত্তবদা মথৌ শারি। নেসনেল হায়ৰে অসিদা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মথৌ লৈতে। মসিদা ৰে ব্রিজ থম্বা তারবসু মদুদা ৰেঠ এন্দ মেজর দিপার্টমেন্টনা থমজগদবনি। মদুসু লৈঙাক্কী পোলিসি অমা ওইনা লৌ–খৎপা তাবনি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২৭ তা কম্মিস্নার ত্রান্সপোর্টনা মীটিং তৌগদবা নুমিৎকী পুং ২দা মীতিং তৌগদবদা করিগী নুংথিল পুং ১.৪৪খক্তদা টি দি সিদা চে য়ৌহনলকপনো হংখি।

করিগীদমক লোন্না হুরান লোনাদা জিরি লম্বীদা ৰেঠ ব্রিজ থম্নবা হোৎনবনো হংখি। লোয়ননা করিগী অরোনবা এজেন্দা লৈ হায়বদা শাউরিবনো হায়খি।

আইননা য়াদবা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা ৰেঠ ব্রিজ অমা থমজিল্লগা হাবি জাবী তৌবা য়ানবা অমসুং দ্রাইভর অমসুং গাড়ীগী মীওইশিংদা য়াম্লবা শেনফম অমা লুট তৌবা য়ানবা ৰেঠ ব্রিজ থমজিনবগী মতাং অসি য়ানিংদে।

মসিগী ৰেঠ ব্রিজ অসি লৈঙাক্না য়াখিবা লৈতে হায়বা তারবদি করিগী ৰে ব্রিজ অসি থম্বা য়ারোই হায়বা ঙমদ্রিবনো হংখি। অয়াবা য়াওদনা ৰেঠ ব্রিজ থম্বা য়ারোই হায়রম্লবদি কম্মিস্নারনা নাকল নাম্মদা তোংদে হায়বদু টি দি সিনা য়াগে হায়খি।

কম্মিস্নারনা মচি মরুমদা লেপ্পগা নেসনেল হায়ৰেদা অরানবা থবক তৌবা মীওইশিংগী মায়োক্তা চপ চানা লেপকনি হায়খি। টি দি সিনা পুনিংবা মাল পুগে হায়বা নত্তে। অদুবু সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকল এক্টনা পীরিবা অরুম্বা অদুদগী হেন্না পুদনবা খঙহনলিবনি হায়খি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন স্বিৱিং মেছিন ওপরেটর লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ

ইম্ফালগী শিংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফিয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরনা হিমাচল কন্সলটেন্সি ওর্গনাইজেসন লিমিটেদ (ঐচ আই এম সি ও এন) শিমলাগা খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা খুম্বোং অমদি তেরাদা চত্থরকপা স্বিৱিং মেছিন ওপরেটরগী স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিন্দুনা ট্রেনিশিংদা কোর্স সার্টিফিকেট খূৎশিন্নখ্রে।

ট্রেনিং লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা নেসনেল এৱার্দি লাইময়ুম অমরেন্দ্র শর্ম্মা অমসুং এম বিক্রম লুৱাংনা প্রোজেন্ট কন্সলটেন্ট প্রসিদেন্ট ওইদুনা ট্রেনিশিংনা সার্টিফিকেট অদু খূৎশিন্নখি।

লাইময়ুম অমরেন্দ্র শর্ম্মনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মীওইবনা শুনিং–নোমনিংবগী ৰাখল লৈরবদি থবক্কী থবক ঙাক্তনি। সরকারগী থবক্তা থবক নত্তে, ঐনা–ঐনা শুরিবা থবক অদুদা পূক্নিং চঙনা শুরবদি অদুম চাওখৎলক্কনি। ট্রেনিং অসিদগী ফংখিবা লৌশিং অদুনা থবক্তা ওম্থোক্তুনা পুথোক্লবদি শেম্থোক লম্বী পীজবা ঙমগনি ।লোয়ননা থবক শুনিংবগী ৰাখল লৈরবদি গভর্নমেন্টকি থবক নৎত্রবসু শেম্থোক লৈনা হিনবা য়াগনি। ট্রেনিশিংনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা শেম্থোক লম্বী অমমম শেন্বদা পাঙথোকখবা ট্রেনিং অদুনা চাওনা মতেং পাঙগনি। ট্রেনিশিংনা শেম্থোক লম্বী অমমম শেম্নবা হোৎনবদা মায়োক্নরকপা খুদোংচাদবশিংদা মহাক্কি মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি হায়খি।

# এস দি ও ওফিস সওম্বুং হান্নগীদা থমদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনিঃ এ দেবেন

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

এস দি ও সৱোম্বুং অসি পোরোম্পাটতা লৈখিবদগী লম্লাইগী মীয়ামদা খুদোং চাদবা মায়োক্লহল্লে মরম অদুনা নুমী ৪৫নিগী মনুংদা ওফিস অসি সৱোম্বুংদা থম্বীদবা তারবদি মখাল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লম্লাই কেন্দ্র ব্লোক কঙগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবসু ওইরিবা সোসিয়েল ৱার্কর অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগা মরী লৈননা ঙসি লম্লাই চালৌদা লৈবা লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেবেননা হায়, কুমজা ২০০৬কী মার্চ থাদা এস দি ও সৱোম্বুং অসি মৈ চাকপদগী পোরোম্পাটতা হোংখ্রে। মসিনা লম্লাইগী মীয়ামদা অৰাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লহল্লে। মদুদি লম্লাই কেন্দ্রগী মীয়াম্না ইনকম সার্টিফিকেট নত্রগা রেসিদেন্স সার্টিফিকেট নত্রগা ও বি সিনচিংবা লৌনবগীদমক পোরোম্পাট তান্না চৎপদা ভরাদা লুপা ১০০ চংলি। মদুদা নত্তনা লমগী খজনা ওইনা লৌ সঙম অমগী লুপা ১৮ থিনবা হোৎনদা লুপা ১০০ তিংলগা চৎপ তন্নবদগী গভর্নমেন্টদা কাগদবা রেভেন্যু মতম চানা কাদ্রে হায়খি।

অসিগুম্বা ফিভম য়ৌরবসি ফাওবদা মরী লৈনবা কনামক্তনা এস দি ও ওফিস অসি সৱোম্বুংদা পুরক্লবা হোৎনদ্রি। লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ লৈতবগা চপ মান্নরে। লম্লাই কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা তার্ম কয়ারক হন্না পায়রবা এম এল এ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা ভোট হেক কাবগা গভর্নমেন্ট পায়বা পার্টিদা চোংলিবসি লম্লাই কেন্দ্র মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরক্কনি হায়না খল্লুবনি অদু মরন্নাই শেল তান্নবা থিকা তৌদুনা লৈরে। লম্লাই কেন্দ্র অসি হিরম খুদিংমক্তা শোত্থরে। লম্লাই কেন্দ্রগী মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং অসি য়েংবিরগা মরী লৈনবশিংনা এস দি ও সৱোম্বুং অসি অথুবা মতমদা সৱোম্বুংদা পুরক্লবা হোৎনবীদ্রবদি মখল মখাগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না দেবেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ফাইনেল এন আর সি ফোঙবগী মতম শাংদোক্লবা হায়জরকপা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৭(এজেন্সি)ঃ

ফাইনেল নেস্নেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) ফোঙবগী লেপখিবা মতম জুলাই ৩১দগী খরা শাংদোকপীনবা হায়জরকখিবা য়াদবগা লোইননা সুপ্রিম কোর্টনা আসাম চীফ সেক্রেটরি, ষ্টেট এন আর সি কো–ওর্দিনেটর অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরিদা ষ্টেট মেছিন্নরিশিং শিজিন্নদুনা এন আর সিগী থবক মখা চত্থনবা য়াথং পীখ্রে।

এন আর সি কো–ওর্দিনেটরনা পীরকপা রিপোর্ট অমগী ৰাফম তারবা মতুংদা ফাইনেল এন আর সি ফোঙবগী মতম সেপটেম্বর ফাওবা শাংদোক্লবগী ৰাফম অদু কোর্ট অসিনা য়াখিদে। এন আর সি কো–ওর্দিনেটর ওইরম্বা এট্রোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপাল অমসুং ওল আসাম মাইনোরিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এম এস য়ু)গী মহুৎ শিনবা প্রতীক হাজেলা অমসুং সলমান খুরসিদসু শরুক য়াখি।

লাক্কদৌরিবা থা ৩–৪সিদা লোক সভা মীখল পাঙথোক্লবা য়াবনা ফাইনেল এন আর সি থবকশিংগা জেনরেল ইলেক্সনগী থবকশিংগা অমুক্তদা পুন্না ফাঙজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ফাইনেল এন আর সি ফোঙবগী মতম অসি জুন ৩০ ওইনা মমাঙদা লেপখি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস রোহিনটন ফালি নারিমানগী বেঞ্চ অদুনা আসাম চীফ সেক্রেটরি, ষ্টেট এন আর সি কো–ওর্দিনেটর অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন সেক্রেটরিদা এন আর সিগা মরী লৈনবা মীফম অমা চয়োল অমগী মনুংদা পাঙথোক্লবসু খঙহনখি।

দ্রাফট এন আর সিদা মীওই লাক্ষ ৪০ রোম চিংখৌরে হায়না হিয়ারিং চত্থরিঙে মনুংদা কোর্ট অসিনা হাজেলাদা খঙহনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা মীওই লা’ ৩৬.২ ফাইনেল এন আর সিদা য়াওহনবীয়ু হায়না খঙহল্লকখিবসু লৈ। এন অর সিদা য়াওহন্নবা ক্লেম তৌরক্লিবশিংদা ক্লেমশিংদুগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ১৫নি মমাঙদা নোটিস থাদুনা খঙহনগনিসু পাউ অসিনা হায়রি।

# থৌবাল তুরেলগী ৰাথোক নোংমা নোংমগী লুশিল্লক্লে, নূং লৈঙোই পুবা গাড়ীশিংদা চৈথেঙ পীবিগনুঃ ট্রক এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৭ ঃ থৌবাল তুরেল পারিঙৈদগী নূং লৈঙোই হোল্লিবা টাটা ট্রকশিংনা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং মোৎহনবা নত্তে। টাটা ট্রকশিং থীংবনা অফবা ঈশিং চেল্লক্লোই। মতৌ করম্না মোৎলিবনো কনানা মোৎহনবনো থিদোকমিন্নসি হায়বা পান্দমদা ওল য়াইরিপোক ট্রক ওর্নর এসোসিয়েসন (এ ৰাই টি ও এ) না শিন্দুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চনবা য়াইরিপোক মালেমগী জলিয়ানবা লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা ৰাঙাঙলোইশিংনা ফোঙদোকখিবদা থৌবাল রিভর কনজার্ভেসন কম্মিটি অমদি তুরেল অসিদা ইনক্কারি তৌরিবশিংগগী মরক্তা মুক্লবনা মরম ওইরগা নূং লৈঙোই পুবা গাড়ীশিং অমদি নোংমগী শূজরিবা শিন্মীশিংদদা চৈথেঙ ফংলকপা অসি অৰাবা অমা ওইনরে। মরম অসিনা অথুবদা য়ানবা পুরক্লবা অমদি মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং চঙহন্নীংবগী ৰাফমশিংসু ফোঙদোক্লখি।

ওল য়াইরিপোক ট্রক ওর্নর এসোসিয়েসন (এ ৰাই টি ও এ) গী কনভেনর হাসসিম অহমদনা ফোঙদোরকপদা থৌবাল তুরেল খোংনুংদা নূং লৈঙোই কোৎপদগী তুরেলগী ঈশিং মোৎপগী মরমদগী থৌবাল রিভর কনজার্ভেসন কম্মিটি (টি আর সি সি) না ট্রক এসোসিয়েসনগী গাড়ী কয়ামরুম লম্বীদা ফাদুনা নূং লৈঙোই হৈদোকপগী থবক অমা চত্থরক্লিবা অসিদা গাড়ী ড্রাইভর অমদি ওর্নরশিংদা য়াম্না অৰাবা ওইরে হায়রদুনা ট্রক ড্রাইভরশিং অমদি নোংমগী হজিরা তান্দুনা শুজরিবা ইমুং মনুং পুজরিবা কাঙবুনি হায়খি।

অথুবা মতমদা তুরেল অসিগী খোংনুংদা ক্কারি তৌরিবশিং অসিগা থৌবাল রিভর কনজার্ভেসন কম্মিটিগী মীওইশিংগা য়াশিন্নবা পুবীরকউ হায়রদুনা করিগুম্বা অথুবা মতমদা য়ান্নবা পুরক্তবা তারবদি লাক্লিবা জনুৱারিগী তাং ৩০ দগী ট্রকশিং অসি হান্নগুম্না মথৌ হৌরগনি হায়না হাসসিম অহমদনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ওল য়াইরিপোক ট্রক ওর্নর এসোসিয়েসন (এ ৰাই টি ও এ) গী সেক্রেটরী জেনরেল ঐচ রাজমোহোন শর্ম্ম অমদি কনভেনর এমদি হামিদ য়াওনা ট্রক ওর্নরশিং, ড্রাইভরশিং অমসুং শিন্মীশিংসু শরুক য়াখি।

টুমুরৌ তুরেল অমসুং হৈরোক কেন্দ্ররোমদগী য়াম্না পীক্না চেল্লকপা তুরেল মচা অনীখক্কী ঈশিংনি। হৌজিক চেল্লক্লিবা অসি থৌবাল তুরেলগী ওইনদি ঈশিং অমত্তা চেল্লক্ত্রবনি। মফৌ দামদা ঈশিং থিঙ্গৎতুনা লৈরিবা অসি চয়োল অমদা অনীরক্তং ঈশিং অসি থাদোকপা মতমদা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং অরূবা ঈশিং ওইবসু য়াই। সরকার অসিনা মতম অয়াম্বদা দাম অসি থিংদুনা লৈরিবা অসিনা করিগীনো হায়নসু হংনরক্লি।

# শুবা নোম্বা কনবা মীওইদা মীপাল তাংবগী ৰাখল চঙলোই...

*লমায় ১গী মখা* ঙমগনি হায়খি। ঙসি লনগৈগী প্রোজেক্ট কেম্পস অসিদা লময়ানবা ইরাবতগী মীতম অমা খিনবা অসিনা মফম অসিদা লাকপা মীওইশিংদা শোয়দনা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৰাখল্লোন অমা ফাওহনগনি।

লনগৈনা নোংপোক সঞ্জেনবমগী নুপী ময়ামদা মফম অসিদা শিচ্ছা পীদুনা থবক শুহনবা অসিনা থবক শুবগী হৈনবী অমা লৈহনবগী মথক্তা মসিনা লমদম অসিগী তাংবা ফি মখল কয়া মফম অসিদা শাদুনা মুৎখিগদবদগী কনবা ঙম্নবগী লম্বী পীরি।

খুন্নাই অমা মাঙলোমদা চংশিনবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না ফম্মিন্নরগা ৰারি ৰাতাই তৌনবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা মদুগী মফম অমা শেমগৎপা তঙাইফদে হায়খি।

মহাক্না হায়, মমা মপা ওইবশিংনা মচা মশুশিংবু অফবা লম্বীদা পুনবা হোৎনবদা মপা মমাশিংগা মচাশিংনা তোয়না উন্নবা ৰারি ৰাতায় তৌনবা চংই। চাকখুম অমদা মমা মপা, মচা মশুশিং পুন্না ৰারি ৰাতায় তৌনদুনা চাক চামিন্নবা মতমদা শোয়দনা মচা মশুশিং অদু অফবা লম্বীদা লমজিং লমতাকপা ঙমগনি। অদুবু মণিপুরদা ঙসিদি মদুগী মওং অদু লৈরক্ত্রে হায়খি।

হৌজিক শেলগী পায়বা, থবক চাউনা তৌবা মচা মশু কয়া পোক্লবসু মণিপুরদা মপা মমা কয়া মমিক্তগী মপি তারগা লৈরি। মসিগী চৎনবী অসি হোংদোকহনবা তঙাইফদে হায়খি। লনগৈ স্পোর্ট একাদমী লিংদুনা নোংপোক সঞ্জেনবম খুলগী অঙাংশিংবু পীক্লিঙৈদগী শান্ন খোৎনবগী লমদা লমজিংবা অসিমক য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিঙাইনি।

লনগৈ অসি নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। লনগৈনা পায়খৎলিবা স্কিম ময়াম অসি পুরগা চৎখ্রগা অতোপ্পনা মতৌ তম্নিংবগী ইহুল ফাওরিবা অসিমক অশেংবা লনগৈগী ফিভমনি।

মীপুম খুদিংমক লৈঙাক্না থবক পীবা ঙমগদবা লৈতে। মরম অদুনা এন্টরপ্রেন্যুর মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা মীয়াম থবক পীবা ঙম্নবা হোৎনবা চংই। লনগৈনা ঙসি নোংপোক সঞ্জেনবমগী মীয়ামদা নত্তনা মীওই ২০০গী মথক্তা ফার্ম অসিদা থবক পীবা ঙম্বা হায়বসি য়ামনা ফিদম্নিঙাই ওই হায়খি।

শুবা নোম্বা কনবা মীদা মরৈবাক নুংশিবগী ৰাখল শোয়দনা চেনগনি। মরম অসিনা মীপাল তাংনিংদবগী ৰাখলসু শোয়দনা ফাওগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ কে এস ঐচ বিরেননা থৌরম মপু, খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এ এল সুসিন্দ্রো, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান অমসুং সঞ্জেনবম খুনৌ দিভলপমেন্ট কম্মিতিগী সেক্রেটরি তখেলময়ুম মঙ্গিনা ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরি লৈননা লনগৈগী দিজিটেল এদভর্টাইজমেন্ট বোর্ড অমা, লনগৈ পোলত্রি ফেয়ার অমসুং লনগৈ ইন্টরনেস্নেল কিদস স্কুল অমসু অথোইবা মীথুংনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি।

# ‘মণিপুরদা মৈ মেগাৱাট ৫দগী ২৫ ফাওবা পুথোক্কদবা মফম...

*লমায় ১গী মখা* ফীভম ফগৎনবা হোৎনরমদে হায়বা লৈতে। চহী ২ ফাবাৎত্রিবা বি জে পি না লুচিংবা মণিপুরগী লৈঙাক অসি লাকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীয়ামদা ক্বালিটি লৈনা মৈ পীবা ঙম্নবগীদমক পৱার সব ষ্টেসন ১৮ শঙ্গাখ্রে। মসিগী মনুংদা ৩৩–কে ভি পৱার সব–ষ্টেসন ১০, ১৩২–কে ভি সব–ষ্টেসন ৭ অমসুং ৪০০–কে ভি সব–ষ্টেসন অমা য়াওরি।

কে ভি–৩৩গী অনৌবা পৱার সব–ষ্টেসন ১৩ শানবগীদমক তেন্দর অপলোদ তৌখ্রে। আই পি দি এস কী মখাদা ৰাঙ্গৈই, হৈরোক, ৰাংজিং অমসুং য়াইরিপোক্তা পৱার সব–ষ্টেসন অমমম য়াম্না থুনা শাবা লোয়শিন্নবা হোৎনরি। পৱার সব–ষ্টেসন ৪ অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থাগী অরোইবা শরুক ফালবগী মনুংদা শাবা লোয়শিল্লগা মার্চকী অহৌবা শরুক্তা মীয়ামদা খূৎশিন্ননবা পান্দম থল্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মফম শিন–থুংনা মৈ ফংহন্নবা হৌদোকখিবা সোভগ্যা য়োজনাগী মখাদা লৈশঙ ভিলেজ মৈ ফংহনখ্রবা তুংদা চাত্রিক খুল্লেনদা মৈ ফংলে হায়রগা ইলেক্ত্রিক্ট ৰায়ার লৈরমদ্রে হায়না মেদিয়াদা লাকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা পৱার মিনিষ্টরনা হায়, লৈশঙ ভিলেজদি গ্রিদ লাইনদা ৰায়ার তিংলগা মৈ পীবনি অদুম ওইনমক, চাত্রিক খুল্লেনদা পীরিবা মৈ অসিদি ওপ গ্রিদ হায়বদি তরা তিংদনা মৈ ফংহনবনি। তরা তিংদনা মৈ ফংহনবা অসিসু সোভগ্যা য়োজনাগী মনুংদা অদুম্মক য়াওজবনি। মসিদা তরা তিংদে হায়না হায়বিখিবশিং অদুদসু লান্না লৌদে। মখোয় তরা তিংদ্রবসু মৈ পীবা য়াই হায়বসি খঙলমদবা য়াই। চাত্রিক খুল্লেনদসু মতমগী মতূং ইন্না গ্রিদ লাইনদা মৈ পীরকখিগনি।

মণিপুরনা মশাগী ওইনা মৈ পুথোকচনবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, ষ্টেট অসিগা খ্বাইদগী চুন্নবা মৈ পুথোকপগী মওংদি মিণি হায়দ্রো প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎকদবনি। অদুবু ষ্টেট অসিনা হেক্তমক মদুদা চঙবা শেল পুথোক্লগা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা ঙমদবনা মপানগী ইনভেষ্টরশিংগী পূক্নীং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

মৈ মাংবা হন্থরকপা অমসুং রিভিন্যু হেনগৎলকপগী মতাংদা পৱার মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক অসিনা লাকপদগী এভাইলেবল ত্রান্সমিসন কেপাসিটি (এ টি সি) লোস হায়বদি অরেম্বদা মৈ মাংবগী চাং হান্না চাদা ৪০ গী মথক্তা লৈরম্বদগী চাদা ২৮.৮১ দা হন্থরকখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লুপা কোটি ১৭২ গী মৈ লৈরম্বদু লুপা কোটি ১২২ গী মৈ লৈরগা কোন্নবা ঙম্লে অমসুং রিভিন্যু লুপা কোটি ৫২ হেনগৎহল্লে।

বিশ্বজিৎনা হায়, পৱার ত্রান্সমিসনগী লমদা মণিপুর অসি অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফবা রাজ্য ওইরি অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসনগী লমদসু নীংথিনা ফীভম ফগৎলক্লি।

উজালা স্কিম মণিপুরদা মায় পাক্না পায়খৎপগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা মণিপুরদা এল ই দি বল্ব অমসুং ট্যুব ২,৯৯,৯৩৪ য়েম্থোকখ্রে। এল ই দি বল্ব অমসুং ট্যুব শীজিন্নরকপা অসিনা ইনর্জি শীজিন্নবগী চাং চহীদা মেগাৱাট অৱার ৩৮,৯৫২ হন্থরে। মৈ শীজিন্নবা হন্থরকপা অসিনা মরম ওইদুনা চহীদা লুপা কোটি ১৬ খরচ তৌবা হন্থহল্লে। মসিগী মথক্তা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লক্কদবা কার্বোন দাসওক্সাইদ গ্যাস থাদোকপগী চাংসু চহীদা টোন ৩১,৫৫১ হন্থহল্লে।

## এম এম দব্লিউ ওনা...

*লমায় ১গী মখা*

গভর্নমেন্টনা রাজ্যা সভাদা পাস তৌরকপা বিল নত্রগা এক্ট অমবু মণিপুর খক্তগী ওইনা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হোৎনরি হায়বসি লৈঙাক্না মীয়ামদা উৎ চাইবনি। মসিগুম্বসি অমুক হন্না তৌবীগনু। ইরমদম ইমালৈবাক কন্নবা হোৎনবদা জুন ১৮দগী হেন্না চাওবা মীয়ামগী ইহৌ অমা মথৌনি হায়নসু পথাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

তুংদা ৰাকৎ মীফমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা খোল্লাও কয়া লাওদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীতম মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

## রুলিংনসু বিলগী মায়োক্তা লৈনবা...

*লমায় ১গী মখা*

ফিভম অমা লাকপা অসিদা রুলিং গী মায়কৈদগীসু বিল অসিগী মায়োক্তা ভোট পীবিনবসু হয়েংগী মীফমদা পার্টিশিংগী মায়কৈদগী তকশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পোলিতিকেল পার্টিশিং অসিগী মায়কৈদগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, নহারোলশিং অমসুং মহৈরোই অমসুং পার্টি ৯গী মাস ফ্রন্টশিংগা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা বিল অসিগী মতাংদা খন্নরগনি। মসিদা সি এস ওশিং, এন জি ওশিং, নহারোল অমসুং মহৈরোইশিংগী লুপশিংনা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌখি। লোয়ননা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা বিল অসি থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বিল অসিদা মণিপুর কোনশিন্দনবা ক্লোজ অমা হাপচিন্নবা তকশিনগনি হায়রিবা অসি ওইবা য়ারারোইদবা ৰাফমনি। মসিদি মীয়ামদা উৎ চাইবনি হায়খি।

আম আদমী পার্টিগী কনভেনর টি ঐচ মনিহারনা পাউমীশিংদা হায়, থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্না হৌজিক ৰাথোক ওইরবা বিল অসিগী মতাংদা খন্ননবা মীফম অমা কৌরকপ অসি য়াম্নমক নুংঙাইবা অমনি। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ইশু অসিগী য়েংলগা হয়েংগী মীফমদা পোলিতিকেল পার্টি ৯গী মীহুৎশিং য়াওহন্নবা হোৎনগনি।

বিল অসিগী মতাংদা ঙরাং চীফ মিনিষ্টরনা ইং ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ গী মমাংদা লাকখিবা মীওইশিং খক্তঃমক ইন্দিয়াগী সিতিজেন ওনগদবনি অমসুং মসিগী মতুংদা লাকপশিং সিতিজেন ওনবা য়ারোই হায়খিবা ৰাফম অদু বিল অসিদা অদুগুম্বা ৰাফম অমত্তা য়াওদে। লোয়ননা বিল অসি হেক অয়াবা ফংবা নুমিত্তগী পারগা চৎনগদবনি হায়না ময়েক শেঙনা পনবনা বিল অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা লান্না ৰাফম ফোঙদোকপদা নুংঙাইতবা উৎখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা সি পি এমগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবা কে এস ঐচ সান্তনা পাউমীশিংদা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামগী য়েংলগা সি এ বি অসি ৰিঠদ্রো তৌনবা রুলিং পার্টিদা শোয়দনা তক্লগনি। ৰাফম অসিমক হয়েংগী মীফমদা পুথোক্তুনা তকশিনগনি হায়খি। লৈবাক অসিদা ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইবা বিল অসি রাজ্য সভানা পাস তৌবিদনবা ৰাফমসু তকশিনগনি হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## সি এ বি ২০১৬ সেন্টরনা...

*লমায় ১গী মখা*

হায়বসি সিরকাগী অয়েৎপা ফিরেপ্নি। করিগুম্বা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরক্লবদি মদুগী দাইত্ব খূদিংমক বি জে পি লৈঙাক্না পুগদবনি। সিরকানা হান্নদগী তানদুনা লাকপা প্রি–মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস অসিনা খ্বাইদগী অচুম্বা পোলিটিকেল লাইন ওইগনি হায়বসি সিরকাগী থাজবনি। মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অসি রিভাইভ তৌগদবনি লোয়ননা প্রি–মর্জর পেরিওদতা মণিপুরদা চৎনরম্বা ফোরেনরস পার্মিট সিষ্টেম নৌহৌননা চৎনহনগদবনি হায়বা ফিরেপসিদা সিরকানা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়রি। ঙসিগী পাউগী মীফমদুদা, সিরকাগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রো থোকচোম, সেক্রেটরী জেনরেল মোইরাংথেম, অঙম্বানচিংবা সিরকাগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

# ইমা ইবেমপিশক্তা শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ ঘরিদা লৈবা লাইফষ্টাইল ফিটনেষ্ট জিমনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা খোঙমন জোন ফোরদা লৈবী লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম মনিগী লোয়নবী মশাগী চহী ৮০ শুরবী তখেল্লম্বম ইবেমপিশক্তা হিংলিঙে মতম ফাওবা জিমগী মায়কৈদগী পেন্সন ওইনা থা খুদিংগী লুপা ৫০০০ শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে। তখেল্লম্বম ইবেমপিশক মীমান্নদ্রবা মচানুপা অনীবু শাগোন্নদুনা লৈত্ত–লায়রগী পনখাদা হিংলিবী অহলনি।

লাইফষ্টাই ফিটনেষ্ট জিমগী ষ্টাফশিংনা ঙরাং তখেল্লম্বম ইবেমপিশককী ময়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা জিম অসিগী মপু শঙলাকপম প্রিশোরজিৎ শর্ম্মনা ইমা ইবেমপিশক্তা থা খুসিংগী শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা জিমগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা ৬০০০ সু খূৎশিন্নখি। প্রিশোরজিৎ শর্ম্মনা হায়, ইমা ইবেমপিশক্না হকচাংগী তোঙাল্লবা মচা অনীগা লোয়ননা নোংমগী চরা অনীফাওবা শুনা চাবা ঙমদনা লৈত্ত–লায়রগী পনখৈ মনুংদা হিংলি হায়বা মেদিয়াদা হাপ্লকপা থেংনখি। পাউ অদু তাবদা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা অমা ফাওবদগী ইমা ইবেমপিশক্কী অৰাবা অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা ঙম্নবা থাগী ওইনা শেলগী তেংবাং পীনবা জিম অসিনা ফিরেপ লৌখিবনি।

## এন পি পিঃ সি এ বি পাস তৌরবদি...

*লমায় ১গী মখা*

মিনিষ্টর ওইরি। পার্টি অসিনা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলগসু হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদগী হৌনা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী মরক্তা নুংঙাইনদবগী মওং অমা মীয়াম্না উবা ফঙখি। বি জে পিগী লুচিংবা খরনা এন পি পিগী মিনিষ্টর ৪ লৌথোক্লগা কোংগ্রেসতগী চেনশিল্লকপা এম এল এ অমসুং বি জে পিগী এম এল এশিংদা মিনিষ্টর হাপ্লনবা তকশিনখিবা লৈখি।

## এন ই আই দি পিগী সিগনেচর...

*লমায় ১গী মখা*অসি তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা পার্টিগী ওফিস মমাংদগী হৌদোকপনি। লোয়ননা মসিগী কেম্পেইন অসিগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা বিল অসি হন্দোকপীনবা দিমানগা লোয়ননা মেমোরেন্দম অমসু অথুবদা পীনবা শেম শারি হায়খি। কেম্পেইন অসি পার্টিনা থল্লিবা পান্দম অসি ফংদ্রিবা ফাওবা চংশিনগনি। সি এ বিল অসিনা মীয়ামদা শোক্লক্কদবা কয়া অসি য়েংলগা মীয়াম্না পার্টিগী খেন্নবা থিদনা অমসুং মীপুম খুদিংমক্না পার্টি অসিনা চংশিনলক্লিবা খোঙজং অসি মায় পাকহন্দবা য়াদে হায়বা ৰাখল্লোন্দা মীপুম খুদিংক্না শরুক য়াবিয়ু হায়খি। পার্টি অসিনা হন্দক্তা লোক সভাদা পাস তৌখিবা সি এ বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পগা লোয়ননা বিল অসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা চংশিনখিগনি হায়খি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না মীয়াম তিনবা মফমশিং, লম্বীশিং, স্কুল কলেজশিং, এন জি ওশিং ওফিসনচিংবা কয়াদা চং চংদুনা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী খুৎয়েক খোম্বগী থবক অসি চত্থগনি হায়খি।

অহানবগী ওইনা অহানবগী ওইনা তম্পাক্কী লমশিংদা হান্না চত্থরবা মতুংদা চীংগী লমশিংদসু মখা চত্থগনি। লোয়ননা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিং ফাওবদা মসিগী কেম্পেইন অসি চত্থরকপা য়াই হায়খি। থৌরম অদুদা পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।